# মিসিগান অমদি ৱিসকোন্সিনদা মায় পাক্লকপদগী বাইদেন্না হ্বাইট হাউস পায়বা য়াবগী ফিভম লৈরে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২০ গী যু এস প্রসিদেন্টকী মীখলদা দেমোক্রেটিক কেন্দিদেট জো বাইদেননা মপুং ফানা মায় পাকপা য়াবগী লম্বীদা চঙশিনখ্রে।

ভোট মশিং থীবা চপ চানা লোইদ্রিবা মরু ওইবা ষ্টেট খরগীসু থারগা বাইদেন্না তাঙ্কক অসিদা ইলেক্তরেল কলেজগী ভোট ২৬৪ ফংগনি হায়না প্রোজেক্ট তৌদুনা হ্বাইট হাউস পায়নবগী লমজেল অসিদা মেজিক নম্বর ২৭০ য়ৌগদবা শুপ্পগী ভোট খরদা ঙাইরে। ভোট মশিং থীবা লোইদ্রিবা ওইরবসু মীখল অসিদা য়াম্না মরু ওইরিবা মিচিগান অমসুং ৱিসকোন্সিনদা বাইদেন্না মায় পাক্লে হায়না এজেন্সিনা খরনা লাউথোকখ্রে। অরিজোনা অমসুং নেভদাদসু মহাক্না মায় পাক্লকপা য়াই হায়না থাজনরি। ষ্টেট অনী অসি ফংবা তারবদি মহাক্না হ্বাইট হাউস পায়নবদা চংবা খ্বাইদগী য়ামদবা ভোট মশিংদগী হেল্লগনি। তৌইগুম্বসুং মীখলগী রিজল্ট মপুং ফানা লাউথোকপদা চয়োল অসি লোইবা ফাওবা চংলবা য়াই হায়না পানরি।

এ পিগী প্রোজক্টেট টেলিগী মতুং ইন্না, পেসনিলভেনিয়া, নোর্থ কেরোলিনা অমসুং জোর্জিয়াদা মাঙজিল থানা চৎলিবা যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ডনা হৌজিক ইলেক্তরেল ভোট ২১৪ ফংলি। অদুবু ট্রুম্প কেম্প্যেনগী ওইনা নুংনাংনিংঙাই ওইবা পাউ অমদি জোর্জিয়া অমসুং পেনসিলভেনিয়াদা ট্রুম্পনা মশক থোক্না মাঙজিল থারম্বদগী হৌজিক বাইদেন্না হেনগৎলকপগী ফিভমদা লাক্লি। যুমশকৈশাগী অঙনবদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ট্রুম্পনা বাইদেন কেম্প্যেনবু মীখলদা নমথাক তৌই হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মীখলগী রিজল্টগী মতাংদা যু এসগী সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলগনি হায়না ক্রিতিসাইজ তৌরদুনা ট্রুম্পকী কেম্প্যেন্না ৱিসকোন্সিনাগী কাউন্টি কয়াদা অরান-অহুই কয়া চৎথে হায়রদুনা ষ্টেট অসিগী ভোট মশিং অমুক হন্না থীনবা হৌনবী মতুং ইন্না হয়জগনি হায়বদু কনফার্ম তৌখি। এজেন্সিশিংনা মখোয়গী প্রোজেক্সনশিং ফোঙদ্রিঙৈদা ট্রুম্প কেম্প্যেন্না পেনসিলভেনিয়া অমসুং মিচিগানদসু লোসুটশিং ফাইল তৌখি। খোঙথা অসিনা মীখল অসিদা কেন্দিদেট অনীগী মরাইবক লেপকদৌরিবা ষ্টেটশিংগী মীখলগী রিজল্টশিং শীংনরকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

লৈবাক্কী অমসুং কেন্দিদেটশিংগী ওইনা অহোংবা কয়া লাকহনগদৌরিবা মীখল অসি অমেরিকান ২,৩০,০০ হেনবগী পুন্সি লোমহনখিবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন কয়া থবক মাঙহনখ্রবা অদুগুম্বা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংগী লায়না-লাইচৎ অমগী মনুংদা পাঙথোল্লিবিনি। কেন্দিদেট অনীমক্না লৈবাক্কী তুংলমচৎকী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা শক্তম কয়া মীয়ামগী ৱাখলদা উহন্দুনা ভোট খোম্নখি। মীখল অসিদা ভোটরশিংনসু থৱায় য়াওবা উত্তুনা মীখল নুমিৎকী মাঙওইন্না অমেরিকান ভোট মিনিলয়ন ১০০ হেনবনা ভোট থাদনখি।

# যু এসকী মীখল নুমিত্তা ইজরেলনা পলিষ্টিনিয়ন বেদুইন ভিলেজ মাঙহন-তাকহনখ্রে

জোর্দান ভেল্লি, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

ইজরেলনা যু এসকী মীখল নুমিত্তা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা বেদুইন ভিলেজগী অয়াম্বা শরুক্তা লৈরিবা ষ্ট্রক্টচরশিং মাঙহন-তাকহনখ্রে হায়না মফম অদুগী মীওইশিং অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী কয়ামুক্কী মনুংদা থোক্লিবা য়ুম-কৈশিং থুগায়বগী খ্বাইদগী চাওবা থবক অদুনা মরম ওইদুনা অঙাং ৪১ য়াওনা পলিষ্টিনিয়ন ৭৩ ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে। যু এনগী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খিরবেত হুমসাহ ভিলেজদা মাঙহন-তাহনখিবা ষ্ট্রক্টচরশিংদুগী মনুংদা টেন্টকী য়ুমশিং, শা থম্ফমশিং, লেত্রিনশিং অমসুং সোল্লর পেনেলশিং য়াওখি।

পলিষ্টিনিয়নশিংগা পাউ ফাওনবা ইজরেলগী মিলিটরি লিএজন এজেন্সি সী ও জি এ টিনা লোনা য়াদবা ষ্ট্রক্টচরশিং থুগায়বগী থবক অমা চৎখি হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

এজেন্সিগী উহৌবা অমগী মতুং ইন্না, মফম অদুগী মীওইশিং শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা অমুক চঙশিন্নখি অমসুং মখোয়না পলিষ্টিনিয়ন এইদ গ্রুপশিংনা দোনেট তৌরকখিবা টেন্টশিং শীজিন্নদুনা লৈশিনখি।

মাঙহন-তাকহনবগী থবক অদু লোয়খ্রবা মতুংদা চীংগী নাকলগী ভিলেজ অদুগী মফম কয়াদা তেক কায়খ্রবা ষ্ট্রক্টচরশিংগী শরুকশিং তাবা উখি। শুপ্পগী অমগা অমগা খরা থাপ্পনা লৈবা য়ুম অনীখক তেক্তা-কায়দনা লৈরমখি। মখোয়না ঐখোয়বু মফম অসিদগী তাম্থোক্লগা ঐখোয়গী মহুত্তা সেটলরশিংবু লৈহনবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মফম অসি থাদোক্তুনা চৎলোই হায়না হরাবি অবু কাবস কৌবা মফম অদুদা লৈবা পলিষ্টিনিয়ন অমনা ফোঙদোকখি। কুমজা ১৯৬৭ কী লানদা ইজরেলনা খুদম চনখিবা ৱেষ্ট বেঙ্কতা চাওরাক্না ইজরেল সেটলর ৪৩০,০০০ পলিষ্টিনিয়ন মিলিয়ন অহুল্লোমগা লৈমিন্নরিবনি।

সী ও জি এ টিনা যুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা জোর্দন ভেলিদা লৈবা ফয়ারিং রেঞ্জ অমদা লোনা য়াদবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎখিবা টেন্ট ৭ অমসুং পেন ৮ থুগায়বগী থবক অমা ইজরেলি ফোর্সশিংনা চৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মালেমগী মীয়াম পুম্নমক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী মীখল নুমিৎ অসিদা মীৎয়েং চংদুনা লৈরিঙৈগী তাঞ্জা অসি লৌরগা য়ুম-কৈ থুগায়বগী থবক চৎথে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোহমদ সতায়েহনা ইজরেলবু মরাল শীখি।

# লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী শান্নবদা য়ুনাইটেদ কিংদম, ঈ য়ু মোৎ খেন্নরে

লন্দন, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী): ব্রেক্সিট মতুংদা লল্লোন-ইতিক্কী মতাংদা চয়োল অনী চুপ্পা কন্না ৱারী শান্নরকখিবা মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা খেন্নবা ৱাফম কয়া লৈরে হায়বসি যু কে অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু) অনীমক্না ফোঙদোক্লখ্রে।

ৱারী শানবদা খরা মখৈ খুমাঙ চাওশিনবা লৈরবসু মরু ওইবা ইশ্যু খরগী মতাংদা হৌজিকসু চাওনা য়ানদবা লৈরি হায়বা ঈ য়ুগী নিগোসিএটর মিচেল বার্নিয়রগী ৱাফম অসি ঐহাক্নসু য়াই। যু কেগী সোভরেন্টি মপুং ফানা ইকাই খুম্নগদবা সোল্যুসনশিং পুথোক্লবা ঐখোয়না মখা তানা হোৎনরি হায়না যু কেগী চীফ নিগোসিএটর দেবিদ ফ্রোষ্টনা যুমশকৈশাগী অহিংদা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

ঈ য়ুগী চীফ ব্রেক্সিট নিগোসিএটর মিচেল ব্রার্নিয়রনসু ত্বিটরদা ফোঙদোকখি মদুদি, ঈ য়ুনা সোল্যুসন ফংনবা কন্না হোৎনদুনসু লল্লোন-ইতিক্কী রুলশিং, গভর্নেন্স অমসুং ফিসরিজকী মতাংদা মোৎ মান্নদবা চাওনা লৈরি। অসিগুম্বা অসি ইকনোমিক পার্টনরসিপ খুদিংমক্কী মরু ওইবা কন্দিসনশিংনি। ঈ য়ুনা ওইরকপা য়াবা ফিভম খুদিংমক্কীদমক্তা শেম শারে হায়না বার্নিয়রনা মখা তাখি। রিজনেল ব্লোক অসিগী ফিরেপতা অহোংবা লাক্রিমখৈ ৱারী মখা চৎথবগী ৱাহন্থোক লৈরোয় হায়না দাউনিং ষ্ট্রিটনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা থাগী অঙনবা শরুকতগী লেপ্পকখিবা নাকল অনীগী নিগোসিএসন ওক্টোবর ২২ দগী অমুক মখা চৎথবা হৌখিবনি।

# দিল্লি য়াম্না থুনা কোরোনা কেপিটেল ওইরক্লগনি : হায় কোর্ট

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

নেসনল কেপিটেলদা কোভিদ-১৯ কেস মশিং মীপাইনিংঙাই ওইনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা শগোলশেল নুমিত্তা দিল্লি হায় কোর্টনা দিল্লিগী আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গভর্নমেন্টপু থৈ থাংখ্রে অমসুং সিটি অসি য়াম্না থুনা লৈবাক অসিগী কোরোনা কেপিটেল ওল্লক্লগনি হায়খ্রে।

লাইচৎ অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি দিল্লি গভর্নমেন্টনা লাকশিনবা ঙমদ্রে। সিটি অসি থুনা লৈবাক অসিগী কোরোনা কেপিটেল ওল্লকপা য়াই হায়না জষ্টিসশিং হিমা কোহলি অমসুং সুব্রামোনিয়ম প্রসাদ য়াওবা হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখি।

বেঞ্চ অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি টেষ্ট তৌবদা লৈবাক অসিদা দিল্লিনা মকোক্লি হায়না এ এ পি গভর্নমেন্টনা কয়ারক হন্না ক্লেম তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং কোভিদ-১৯ কেস মশিংদি মীপাইনিংঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি। নোর্থ, সাউথ অমসুং ইষ্ট দিল্লি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনশিংগী তোঙান-তোঙানবা ইমপ্লোয়ী কাদর কয়া তেলোপ অমসুং পেন্সন পীদবগী মতাংদা থারকখিবা পীটিসন খরগী হীয়রিং চৎথবদা কোর্ট অসিনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

যুমশকৈশা নুমিত্তা নেসনল কেপিটেলদা কোভিদ-১৯ কেস ৬৮৪১ দিটেক্ট তৌদুনা নুমিৎ অসিবু নোংমগী মনুংদা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা নুমিৎশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। কেসশিং অসি থারগা হৌজিক দিল্লিগী অপুনবা কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৪,০৯,৯৩৮ শুরে। কেপিটেল সিটি অসিদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতসু ইনফেক্সন ৬,৭২৫ থেংনখি। হৌখিবা চয়োল অসিদা কেপিটেল সিটি অসিদা লেপ্পুনা কেস মশিং য়াম্না দিটেক্ট তৌদুনা লাক্লি।

# ইন্দিয়া অমদি নেপালগী আর্মি চীফশিংনা ঙাকশেলগী লমদা মতেং পীনবা হেনগৎহন্নবা খন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

নেপালদা খোঙচৎ অমা চৎলিবা ইন্দিয়াগী আর্মি চীফ জেনরেল মানোজ মুকুন্দ নারাৱানেনা শগোলশেল নুমিত্তা নেপালগী মহাক্কী লেংমান্নবা জেনরেল পুর্না চন্দ্র ঠাপাগা ৱারী শান্নদুনা লৈবাক অনীনা ঙাকশেলগী লমদা কোওপরেসন পীনবা হেনগৎহন্নবগী লম্বীশিং খন্নখ্রে।

নুমিৎ অসিগী অঙনবদা পাঙথোকখিবা চীং লেন্নবা থৌরম অমদা জেনরেল নারাৱানেনা কথমন্দুগী তুন্দিখেলদা লৈবা আর্মি পেভিলিয়নদা ‘ভীর সমারক’তা লৈ কত্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না নেপালি আর্মি হেদ ক্বার্টসতা চৎখি। মফম অদুদা মহাকপু গার্ড ওফ ওনরগী ফজরবা থৌরমগা লোয়ননা তরাম্না ওকখি। হেদ ক্বার্টস অদুদা মহাক্না জেনরেল ঠাপাগা ৱারী শানখি। মদুদা ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ অসিবু নেপালি আর্মিগী সিনিয়র ওফিসরশিংনা মপুং ফারবা ব্রিফিং অমসু পীখি।

নুমিৎ অসিমক্তদা মহাক্না নারাৱানেনা নেপাল আর্মিদা তোঙান-তোঙানবা মেদিকেল ইক্বিপমেন্টসু শীন্নখি। মহাক্না শীন্নখিবা অনা-লায়ংগী খুৎলায়শিংদুগী মনুংদা এক্স-রে মেছিনশিং, কম্প্যুটেদ রেদিওগ্রাফি সিষ্টেমশিং, আই সী যু ভেন্টিলেটরশিং, ভিদিও এন্দোস্কোপি য়ুনিটশিং, এনিসথিসিয়া মেছিনশিং, লেবোরেটরিগী খুৎলায়শিং অমসুং এম্বুলেন্সশিং য়াওখি।

নেপালি আর্মিনা কোরোনাভাইরস লাঞ্জংগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা মতেং পাংবা ওইনা অহেনবা ভেন্টিলেটরশিংসু খুদোল তৌখি। মমাংদসু আর্মি মশেল মতেং পীনবগী শরুক অমা ওইনা চহী অসিগী জুলাইদা ভেন্টিলেটর কয়া পীবা লৈখ্রে।

শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা নারাৱানেবু নেপাল আর্মিগী ওনরেরি জেনরেল রেঙ্ক অসি প্রসিদেন্টগী ওফিসতা পাঙথোকপা ফঙ্কসন অমদা মঙোন্দা প্রসিদেন্ট বিধ্যা দেবী ভান্দারিনা শীন্নগনি হায়না নেপাল আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ১৯৫০ দগী নেপাল অমসুং ইন্দিয়ানা অমনা-অমগী আর্মি চীফতা ওনরেরি টাইটল পীনদুনা লাক্লি। মহাক টাইটল অসি ফংবা ইন্দিয়ন আর্মিগী ১৮ শুবা চীফ ওইরগনি। জেনরেল নারাৱানেনা প্রসিদেন্টগসু ৱারী শানগনি। ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ অসি জেনরেল ঠাপানা ইনভাইট তৌবদগী নুমিৎ হুম্নিগী ওফিসল নেপাল খোঙচত্তা যুমশকৈশা নুমিত্তা কোপিটেল কথমন্দুদা থুংখি।

# লুপা ক্রোর ১৬.৫০ গী দ্রগকা কোন্ননা মীওই অহুম ফারে

সিলচর, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

সিকুরিটি পর্সনেলশিংনা অসামগী খা থংবা শরুক অমসুং লোন্নবা মিজোরামদগী লুপা ক্রোর ১৬.৫০ রোমগী ওইগদবা য়াল্লবা দ্রগশিং ফারে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, যুমশকৈশা নুমিৎকী অহিংদা কার অমা থৎলগা খামখি অমসুং গাড়ি অসিদগী লুপা ক্রোর ১০ রোমগী ওইগদবা ব্রাউন সুগর কেজি ১.১৩০ ফাখি। পেকেট ৩২ দা হাঞ্জিনবা দ্রগশিং অদু গাড়িদুগী মনুংদা য়াওবা শেম-শাদোক্লবা পাইপকুপ্সা অমদা লোৎলমখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসকী ট্রুপশিংনা ইষ্টর্ন মিজোরামগী ম্যান্মারগা লোন্নবা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টতগী লুপা ৬.৫০ গী ওইগদবা দ্রগশিংগা কোন্ননা মীওই অনী যুমশকৈশাগী অথেংবদা ফাখ্রে। মখোয় থাজবা য়াবা পাউদা যুম্ফম ওইরগা চৎখিবা ওপরেসনদা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্তা লৈবা খাংপোকশঙ অমদা লোত্তুনা লৈরম্বদগী ফাখিবনি।

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mutation case no. 873 of 2020**

Ningthoujam Janmenjoy Singh S/o (L) N. Modhu Singh of Kongkham Mayai Leikai. -Applicant

-Vrs-

(L) Loitongbam Herando Singh S/o (L) L. Dhano Singh of Kongkham. -O.P.Pattadar

**থৌদাং / NOTICE**

Nambol, the 28th October, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২২-নাওরেমগী পাট্টা নম্বর ৫৫৩ (অনৌবা) দাগ নং ১৪৩৫ এরিয়া একর ০.৭৩ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎখগনি।

HL-P/8000/6 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Nambol**

---

**IN THE COURT OF THE ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL**

**Ref :- Mutation case no. 456/AS&SO/Thoubal 28/10/2020**

Shri Nepram Nabakishor Singh S/o (L) N. Tomal Singh of Langathel Village. -Applicant

-Vrs-

Late Pattadar :-
Nepram Tomal Singh S/o (L) Tomba Singh of Langathel Village. -Opposite Party

**থৌদাং / NOTICE**

29/10/2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মৃত পাট্টাদারগী মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খোংজোম তহশিল খুল নং ৪৫-লাংথেল পাট্টা নং ৮১ (অরিবা)/১০০ (অনৌবা)গী দাগ নং ৩৫৮গী এরিয়া .৮৪২০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি পাট্টাদার মৃত ওইখিবগী মতুংইন্না দরখাষ্টকারিনা উক্ত পাট্টাদা মমিংদা নামা পানবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্লে। কেস অসিগী মরীদা কনাগুম্বা মীওইনা য়েৎপীনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচেদা ফোঙলিবা নুমীৎতগী থারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি (ওবজেক্সন) লৌরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal

HL-P/8002/6

# দোনাল্ড ট্রুম্পকী সপোর্টরশিংনা পোষ্টেল বেলোট মশিং থীবা লেপ্পবা দিমান্দ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পকী খোইরাং খোইশাওনরবা সপোর্টরশিংনা পোষ্টেল বেলোট মশিং থীবা খুদক্তা লেপ্পবা দিমান্দ তৌরদুনা মীখলগী লাল কল্লিবা কন্দিদেটশিংগী মরাইবক লেপকদৌরিবা ষ্টেটশিং ওইরিবা মিচিগান অমসুং অরিজোনাদা প্রোটেষ্ট তৌবা হৌখ্রে।

পোষ্টেল বেলোটশিংগী খুখাংদা ভোট থাদবা অসিনা মীখলদা নমথাক তৌহনবগী ইভিদেন্স ফংলে হায়না ট্রুম্পনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা মহাকপু শৌগৎপশিংনা মরু ওইবা টেট অনী অসিদা প্রোটেষ্ট চৎথরকখিবনি।

প্রসিদেন্ট ট্রুম্পকী মশিং য়াল্লবা সপোর্টর কাঙবু অমনা যুমশকৈশা নুমিত্তা মিচিগানগী দিত্রোইট সিটিদা লৈবা কনভেন্সন সেন্টর অমদা থোমজিন্নবা হোৎনখি। মীখলগী ৱর্করশিংনা এবসেন্টী বেলোট ১৭০,০০০ হেন্না মশিং থীরিঙৈদা মখোয়না কনভেন্সন সেন্টরদুদা থোমজিন্নবা হোৎনখিবনি। ন্যু য়োর্ক টাইমসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না কনভেন্সন সেন্টর অদুগী মপান্দা লেপ্লিবা দেমোন্সত্রেটরশিংনা বেলোট মশিং থীবা লেপ্পু হায়না লাউখি।

প্রোটেষ্টর কয়ানা বিল্ডিংদুগী চংফম থোঙ্গানদা লেপ্পুনা মফম অদু ঙাক শেল্লিবা পুলিস ওফিসলশিং নাথেদুনা ঙাক শেন্দুনা লৈতবা মনিংথোংদা ফাওজিল্লগা চৎখি। ক্লুমবর্গকী মতুং ইন্না, দেমোন্সত্রেটরশিং অদুনা মখোয় পোল মোনিটরশিং ওইনা থবক তৌদুনা ভোট মশিং থীবগী প্রোসেস য়েংশিনবা পাম্মী হায়খি। বিল্ডিং মনুংদুদা হেক চংলগা মখোয়না লেপ্পুনা খোল্লাও কয়া লাউখি। তৌইগুম্বসুং মীখলগী ৱর্করশিংনা বেলোট মশিং থীরিবা অদুদি অয়েৎ-অপন পীখিদে।

অসিগুম্বা দেমোন্সত্রেসন অমসু অরিজোনা ষ্টেটকী ফিনিক্স সিটিদা লৈবা ইলেক্সন সেন্টরগী মপান্দা পাঙথোকখি। ন্যুজ নেটৱার্ক, ফোক্স ন্যুজগী মায়োক্তা মখোয়না খোল্লাও কয়া লাউখি। মরু ওইবা ষ্টেট অদুবু বাইদেন্না ফংলগনি হায়না লাউথোক্লবগীদমক্তা মখোয়না ন্যুজ নেটৱার্ক অসিবু চৈং থাংদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

প্রোটেষ্টরশিংগী মশিং য়ামখৎলকখিবগা লোয়ননা টেক্টিকেল ফিজোল শেৎপা লো ইনফোর্মসমেন্ট ওথোরিটিশিং দিপ্লোই তৌদুনা দেমোন্সত্রেটরশিং লাকশিন্নবা হোৎনখি। এজেন্সিগী মতুং ইন্না বোলোট মশিং থীরিঙৈদুদা রিপব্লিকান অমসুং দেমোক্রেটিক পার্টিগী ওবজর্ভরশিং ইলেক্সন সেন্টরদুগী মনুংদা লৈখি। প্রোসেস অপুম্বদু ওনলাইনদা লাইভ ওইনা শন্দোকখি। ট্রুম্পনা যুমশকৈশা নুমিত্তা হ্বাইট হাউসতগী ৱা ঙাঙলদুনা লৈবাক পুম্বগী ৱাৎলিবা ভোটশিংগী মশিং থীবা লেপহন্নবা মহাক্না সপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎনবা শেম-শারে হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙথাং লাক্লিবনি।

# হ্বাইট হাউস পায়নবগীদমক্তা বাইদেন্না ষ্টেট অমদা মায় পাক্কদবদা ঙাইরে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স প্রসিদেন্টকী মীখল লোইখিবা মতুং নুমিৎ নিনি চোম্থরক্লবফাওবদা কেন্দিদেট অমত্তনা হ্বাইট হাউস পায়বা য়ানবগী ভোট মতিক চানা ফংনদ্রি। তৌইগুম্বসুং জো বাইদেন্না গ্রেট লেক্স লমদমগী ষ্টেটশিংদা মায় পাক্লকপদগী মহাক্কী ইলেক্তরেল ভোট ২৬৪ য়ৌবা ঙমখি। ফিভম অসি য়ৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্না মীখলদা মাই পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না লাউথোকপা য়াগদবসি শুপ্পগী মীখল লান কনবা ষ্টেট অমখক্তা মায় পাক্নবা ঙাইরে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইলেক্তরেল ভোট ২১৪ ফংলিবা দোনাল্ড ট্রুম্প হ্বাইট হাউস পায়নবগী লমজেল অসিদা অচৌবা খুরৌ অমা মায়োক্লরি। মখা তানা টার্ম অমগসু প্রসিদেন্ট ওইনবগীমক্তা ট্রুম্পনা লেমহৌরিবা বেটলগ্রাউন্দশিং হায়বদি পেনসিলভেনিয়া, নোর্থ কেরোলিনা, জোর্জিয়া অমসুং নেভাদা অসি মায় পাকপগী তঙাই ফদবা লৈ। ভোট মিলিয়ন কয়া টেব্যুলেসন তৌগদবা ৱাৎলিবা ওইরবসু দেমোক্রেটিক কেন্দিদেট বাইদেন্না ভোট মিলিয়ন ৭১ দগী হেন্না ফংবা ঙমদুনা যু এসকী মীখলগী পুৱারীদা রেকোর্দ অমা ওইরি।

হৌখিবা নবেম্বর ৪ দা নুংথিলগী মতমদা পাঙথোকখিবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক প্রসিদেন্সি পায়রগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি। তৌইগুম্বসুং মীখল অসিদা মহাক্না মায় পাক্লে হায়বমক্তি লাউথোকখিদে। ঐহাক্না অমেরিকান প্রসিদেন্ট অমা ওইনা লৈঙাক্কনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা বাইদেন্না হায়খি মদুদি, ঐখোয়না মায় পাকপা মতমদা রেদ ষ্টেটশিং অমসুং ব্লু ষ্টেটশিং হায়বা লৈরোই। শুপ্পগী য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স ওফ অমেরিকা লৈগনি।

রিপব্লিকান প্রসিদেন্ট অসিগী মখা তানা ফম পায়বা য়ানবগী খুদোংচাবা ফিভম হেনগৎহন্নবা হোৎনরদুনা মহাক্কী কেম্প্যেন্না কোর্টকী মতেং লৌনবগী থৌরাং কয়া লৌখৎখি। মখোয়না মীখলগী রিজল্টশিংদা চিংনবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱিসকোন্সিনদা ভোট মশিং অমুক হন্না থীহনবীনবা হায়জখি অমসুং পেনসিলভেনিয়া, মিচিগান অমসুং জোর্জিয়াদা লোসুটশিং ফাইল তৌখি। মমাংদা ৱিসকোন্সিনদা ষ্টেট শীন-থুংনা ভোট মশিং থীখিবদা শুপ্পগী ভোট চা খরদমক্কী অহোংবা লাকখি। বাইদেন্না হৌজিক ট্রুম্পতগী হেল্লিবসি মশিং থীরবা বেলোট মিলিয়ন ৩.৩ রোমগী মনুংদগী ২০,০০০ গী মথক্তনি।

# মীখলগী রিজল্ট লৈখায় তাদ্রিঙৈদা সাউথ কোরিয়াগী তোপ দিপ্লোমেট যু এসতা চৎকদৌরি

সিওল, নবেম্বর ০৫ (এজেন্সী):

সাউথ কোরিয়াগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট মথংগী চয়োল অসিদা ৱাশিংটনদা খোঙচৎ অমা চৎননবা থৌরাং তৌরি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ওফিসশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট মীখলগী রিজল্টকী ঙাইদনা সিওলনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকা অচেৎপা এলায়ন্স অমা শেমগৎনবা লেপখিবগী মতুং ইন্না মীখলগী চরাংনবা মরকসিদা খোঙচৎ অসি পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি। যু এসকী মরু ওইবা ষ্টেটতা মায় পাক্লবা মতুং যুমশকৈশা নুমিৎতা দেমোক্রেটিক চেলেঞ্জর জো বাইদেন্না মীখল অদুদা শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়না লাউথোকচখি। অমরোমদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পনা মীখল লোয়রবা মতুং মথংগী নুমিত্তা দেমোক্রেটিক রাইভেলগী কেম্প্যেনবু মীখলদা নমথাক তৌবগী মরাল শীখি। লোসুটশিং ফাইল তৌখি অমসুং মশিং থীবা লোইদ্রিবা ষ্টেট খরগী ভোট অমুক হন্না থীননবা দিমান্দ তৌখি।

সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর কাং ক্যুং-হ্বা নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱাশিংটনদা থুংগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ট্রুম্প কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকপদগী হৌখিবা থাদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখিবা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পম্পিওগী খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রবা মতুংদা পম্পিওনা ইনভাইট তৌবদগী সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা খোঙচৎ অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মিনিষ্টরশিংনা যু এসকী শেল-থুমগী অথীংবশিং কোমথোক্লবা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং লেপহনবগী পান্দমদা পাঙথোক্তুনা লাকপা ৱারী অমুক মখা চৎথবগী ৱাফম য়াওনা লৈবাক অনীগী অমদি রিজনেল ইশ্যু কয়া খন্নগনি।

যু এস মীখলগী মতাংদা চপ-চানা লেপ্পা ঙমদবগী ফিভম লৈদুনসু কন্নানা হ্বাইট হাউস পায়গনি হায়বসি থীদনা সাউথ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকা মখা তানা অচেৎপা এলায়ন্স অমা শেমদুনা লৈগনি হায়না সিওলদা প্রসিদেন্সিএল ব্লু হাউসনা ফোঙদোকখি।

---

**থাগৎচরি / খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খরা লৈরগা মশানা অমুক ফখিবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খাঙবা ঙমদদুনা খোৎপদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোরকপা ঙাইহাক লৈরগা ফখিবা, চাবা তুমদবা অদু ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি।**

ঐ মতম শাংনা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা খরা লৈরগা মশানা অমুক ফখিবা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খাঙবা ঙমদদুনা খোৎপদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওতোরকপা, ঙাইহাক লৈরগা ফখিবা, অমাংথোঙ ময়াদা মচা অমমুক পোমথোরকপা, খোঙ হান্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হান্বা চাং নাইদবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাওরগা লৈবা, খরা লৈরগা খঙহৌদনা খোঙ হান্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা হৌরকপা, নান্থরকপা শৌজ অদু মশানা হঙৎলু য়াদবদগী খূৎনা ইনশিনবা, চাবা-থকপা য়াদবা, তুন্বা য়াদবা, নোংম-নোংমগী হকচাং শোঞ্জিল্লকপা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, ফন্বী শোন্থরকপা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা, অহিং মপুং ফানা তুন্বা য়াদবা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা, খোঙ খূৎ শজিং হৌবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা নুংঙাইতবশিং অদু ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংফমশিংদি :**

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/7985/6 *থাগৎচরিবী :* **Ph. Santi**, Kakching

---

**থাগৎচরি / অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোরকপা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, হান্বা চঙলুরগা হামেং মথিগুম্না মরূ অমা-অনীতং হান্নগা হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা মতমদা লৌকাংগুম্বা মচু হান্নকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোল্লগা লৈবা, খোঙ হান্বা লোইরগা অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা তৌরগা লৈবা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা চিক্নি খনবদা, শা-ঙা চারগনা হেন্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাওরগা লৈবা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা লৈবা, হান্বা চঙলুরগনা হামেং মথিগুম্না মরূ অমা অনীতং হান্বা, করিগুম্বদা খোঙ খিত্তং য়াম্না হান্নকপা মতমদা লৌকাংগুম্বা মচু হান্নকপা, লৌকাংগুম্বা মচু হান্নকপগা হকচাংদা চোকথ-ৱান্থবা তৌবা, খোঙ মপুং ফানা হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা খ্বাঙ, য়াঙলেন শরূদা চিকপা নাবা, হকচাংগী মফম খুদিংদা চিকপা-নাবা তৌবা, খোঙ শেংনা হামদোকখ্রবদি চিকপা-নাবশিং ফখিবা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অদুগা অমুক ফখিবা, অমুক হৌরকপা, শা-ঙা তোয়না চাবা য়াদবা, তোয়না চারগনা ঈ তারকপা, ফন্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুব্বদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6463/6 *থাগৎচরিবা :* **W. Dhanachandra Singh, Hiyangthang**